চহী ৪০০ শুরবা...

লামায় ১গী মখা... নিংথৌ থৌগল লূপতিনগী সেক্রেটরি এ কে শান্তিকুমারনা ফোঙদোরকখিবদা করিগুম্বা উজাও অসিনা তুবা নৎত্রগা মসা তেক্লকপা মতমদা তুরিবা/তেক্লিবা মায়কৈ অদোমদা অৱা অনা, মীশি-মীনা নংহ হায়বদগী লাইথৌ পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। অদুবু থৌদোকসি থোকখ্রবনিনা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ অসিনা হেন্না অৱা-অনা নংহনবীদবা, মীশি-মীনা হেন্না থোকহনবীদনবগীদমক থৌনি তৌগনি। তুরক্লিবা খোংনাং অসি চহী ১৫ রোমগী মমাঙদা কোলকটাদা থাদুনা টেষ্ট তৌবদা চহী ৪০০ রোম শুরে হায়রকখ্রবনি। খোংনাং অসি চহী ১ মখায়রোমগী মমাঙদা মৈ চাকখিবা থৌদোক অমা মায়োক্লখ্রে হায়রি।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম অসি কোভিদ-১৯গী ষ্টেন্দর্দ ওপরেসনেল প্রোসিজরশিং ঙাক্তুনা পাঙথোক্কদবনা মী য়াম্না তিনবা লাইথৌগী থৌরমদি ওইররোই। অমাইবা অনীগা কম্মিটিগী মীওই খরগনা পাঙথোকফম থোকপা লাইগী থৌরমশিং পাঙথোক্লগনি হায়রি।

নেসনল লিদরশিং...

লামায় ১গী মখা... দিবসকা মরী লৈননা বি জে পি নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি ওর্গনাইজেসন বি এল সন্তোসনা লুচিংদুনা উ চারাশিং থাখি হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবা বি এল সন্তোসনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী গ্রাসরুট লেভেলদা থবক তৌরিবা কর্যকর্তাশিংগসু মথং-মথং উনরবা য়াই হায়রি।

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	88.520408
US Dollar	74.530961
British Pound	102.917547
Australian Dollar	55.900429
Chinese Yuan Renminbi	11.526316
Japanese Yen	0.668595
Malaysian Ringgit	17.920107
Singapore Dollar	55.375668
South Korean Won	0.065813
Saudi Arabian Riyal	19.874923
Thai Baht	2.324684

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	47357.00
Mumbai	–	Rs	47550.00
Delhi	–	Rs	47356.00
Kolkata	–	Rs	47720.00

GAS NEWS

M/S BASHIKHONG INDANE
BOOKING UPTO 24/05/21
VALID FROM 17/05/21
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738, 8794622868 OFFICE
TIMING 8.00AM TO 11AM
WILL BE DELIVERY FOR 3DAYS.

TANGLEI GAS OINAM
V/f- 06-06-21
B/upto - 08-06-21
Stock 612
7am to 10am

LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING
BOOKING upto - 24-04-2021,
VALID FROM - 17-04-2021,
STOCK : 612
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM

HIYANGTHANG INDANE.
Booking 20-05-21.
Valid.13-05-21.
Stk.-306.
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service.
Contact no. Office no. 6381538861. 8414043907.
Whatsapp.no. 6009260971.

TDK GAS
BK. UPTO 29/04/21.
VF.27/04/21.
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT NOS. 6909614353, 8731992324.
TIMING 9:00AM TO 3:00 PM.

KHONGNANG GAS AGENCY,NINGTHOUKHONG.
Booking upto: 01/07/2021
Valid from: 09/06/2021
Please Contact mobile no. 7085411559 and 7085412119
Time: 7:30 am to 10:30 am.

MANIPUR GAS SERVICE
Booking upto : 07/06/2021
Valid from : 18/05/2021
Home Delivery Only....
Contact No: 8730954041, 8259969582
Offi ce Timing: 8 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS
1. Poumai Colony, Ahallup, Heingang, Kairang, Khabam, Achanbigei, Mongjam - 9863385995
2. Mantripukhri, Luwangsangbam, Koirengei and Lamsang A/C etc. 8787857518
3. Lairikyengbam Leikai, Khurai, Pangei Road, Ukhrul Road, Kongpal, Top 7424085506
4. Laipham Khunou, Sangakpham, Nagaram, Dewlahland, Khoyathong, Nagamapal and Uripok Road, Namdunlong - 8414886475
5. Hatta, Tellipati, New Checkon, Ragailong, Wangkhei, Soibam Leikai, Kshetrigao A/C Kongba etc. 7005282449/9366468676
6. Thangmeiband, Lamphel, Langol, Tarung - 7005439154
7. Chingmeirong, Thangal & Paona Bazar, Sagolband, Keishampat, Khagempalli, Kwakeithel, Yaiskul, Moirangkhom and Singjamei A/C. etc. 8131832195
8. For, Complain and Enquiry Number - 8259969582
Time : 8.00 am. to 12.00 noon. 8730954041
Delivery time will take 4 days

চফু উপ্পী লাইফমলেন্দা থৌনি থৌরম পাঙথোকপা ঙমহনবীয়ু

ইম্ফাল, জুলাই ০১ (ঐচ এন এস): লৈশেমঙৈদেগী মৈনা ৱাই তাংনা শম তৌদুনা ঙসি ফাওবা ঈনাৎ লাইনীংগী চৎনবী অমা ওইনা লৈবাক নিংথৌ অমদি মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক কুম খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা চফু উপ্পী লাইফমলেনদা পাঙথোকপা থৌনি থৌরম কুমসি চহীগী ওইনা ইঙেনগী অহানবা নোংমাইজিং নুমিৎ (জুলাই ১১, ২০২১) দা থোক্লে। অসিগুম্বা কায়ফদ্রবা থৌরম অসি পাঙথোকপদা অকায় অতোয় থোক্তনা লৈবাক খুন্নাইগী য়াইফনবা ঙসিগী লৈঙাক্লা শিনবীনবা মীৎয়েং চিংশিল্লক্লি।

ৱাফম অসি কৈশাম্পাৎ থোকচোম লৈকায়দা লৈবা মণিপুর ভেল্লি ভিলেজ রিজার্ভ ফোরেষ্ট রাইট প্রোটেক্সন এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট অঙোম তোম্বনা থোরকপা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা হায়, হৌখিবা মার্চ থাদা থোকখিবা সন্দংশেনবা মরিং খুঞ্জা অমগী অশিবা হকচাং অমা চফু উপ্পী লাইফমলেনগী এরিয়া মনুংদা ফুমজিল্লকখি। অশিবা হকচাং অদু ফুম্বা য়ারোই লৌথোকউ হায়না মার্চ ২৯, ২০২১দা মশীং য়াম্লবা অন্দ্রোগী মীয়াম্না সন্দংশেনবা মরিং খুল লোমদা থোমজিল্লকপদা পুলিসনা মতম চানা কন্ট্রোল তৌদুনা মীশি মীনাদি থোকখিদে। থৌদোক অসিগী মতুংদগী সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪ থমদুনা লাক্লি হায়রি।

লোয়ননা লৈঙাক্লা হায়রিবা মফম অসিগা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিটিদা এপ্রিল ৪, ২০২১ ফাওবদা পীরক্লবা মার্চ ৩০, ২০২১দা নোটিশ থোক্তুনা খঙহনখি। লূপ অসিনসু মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং- (১) দরবার রিজোল্যুসন নম্বর .১০এ ওফ ২০/৭/১৯৩২ ভেল্লি ভিলেজ রিজার্ভ ফোরেষ্ট (২) দি মণিপুর কোদ, পার্টটু (৩) দরবার রিজোল্যুসনগী মেপকী সার্টিফাইদ কোপি অমা অমদি (৪) চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দমগী কোপি অমনি হায়রি।

অদুবু, গভর্ণমেন্টনা শেম্বীখিবা ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী ঙসি ফাওবা করি এক্সন লৌখৎখ্রবগে হায়বগী রিপোর্ট অমত্তা মীয়ামদা অমদি লূপতা থল্লকপা লৈতবদগী জুন ২২, ২০২১দা রুরেল দিভেলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজগী কম্মিস্নরদা কম্মিটিগী রিপোর্ট অদু পীবিরক্লবা হায়জখি।

হায়রিবা মতম অসিদি দরবার রিজোল্যুসন নম্বর ১০এ ওফ ২০/৭/১৯৩২গী মতুংইন্না অন্দ্রোগী এরিয়া দাগ নম্বর ৪০, ৪৬ অমদি ৬২গী মনুংদা লৈবনি। ইনিদয়াগী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েল লোয়শঙ (সুপ্রিম কোর্ট) না ফাওবা রিলিজন অমদি কষ্টমদা অথিংবা থন্বা, য়েৎপা ঙমদবদা নত্তনা মণিপুরনা ইন্দিয়ানা তিনবা মতমদা কষ্টম অমদি রিলিজনগী শরুককশিংসি লৈবাক নিংথৌদা মনিং তম্বা পীরম্মী হায়রি।

অসিগুম্বা চৎনবী অমা ওইনা লাক্লিবা সনা কোনুংগী অয়াবা য়াওরগা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা থৌরম অসি পাঙথোকপা য়ানবা লাইফমলেনগী লমখৈ মনুংদা ফুল্লিবা অশিবা হকচাং অথুবা মতমদা লৌথোকহন্দুনা লৈবাক অমদি মীয়ামগী য়াইফ থৌনি থৌরম অসি মপূং ফানা পাঙথোকপা ঙমহনবীয়ু হায়রি।

মতম কয়াগী মমাঙদগী মণিপুর ভেল্লি ভিলেজ রিজার্ভ ফোরেষ্ট রাইটস প্রোটেক্সন এসোসিএসননা দিমান্দ তৌদুনা লাকচবা ভেল্লি ভিলেজ রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়া মনুংদা (ইল্লিগেল এনক্রোচর) লান্না খুন্দাশল্লকপশিং তকথোকপীয়ু। লাইফমলেনশিং ঙাক শেন্দুনা থন্বীদুনা মহৌশাগী খল কায়দনবা এ ফোরেষ্ট্রেসন (উমং য়োকখৎমিন্নবা) তৌবীয়ু হায়বনচিংবা ৱাফমশিং অসি তপথবা তৌদনা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু হায়না লৈঙাক্কী পূক্লিং চিংশিল্লক্লি।

উমং য়োকখৎলবতদা ষ্টেট অসি হীরম খুদিংমক্তা খুমাঙ চাওশিন্না ফগৎলকপা, খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ খুদিংমক্কী লাইনীং অমদি কষ্টমরি রাইটসশিং অসি চৎনবা লৈঙাক্লা অচুম্বদা য়ূম্ফম ওইরগা এনফোর্স তৌরবা মতমদতা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা হিংমিন্নরকপা ওইথোরক্কনি হায়রি।

মসি নত্তদনা পোলিটিকেলগী অখুবা মীৎয়েং য়েংদুনা অচুম্বা ৱায়েল নাথৈদুনা নৎত্রগা থেংথহন্দুনা সুম লৈরবদি লান্না খুন্দাশিল্লকপা (ইল্লিগেল এনক্রোচর) শিংদা মথৌ হাপ্পা ওইনা তাগনি অমদি অন্দ্রো-সন্দংশেনবা মরিং খুল নত্তবা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা মফম কয়াদসু তত্তনা খুন্দামিন্নরিবশিংগী মরক্তা নুংঙাইতবা থৌদোক ৱাথোক্লা পূমনিল নিল্লক্কনি হায়বগী নুংনাংবসু মীয়ামগী মহুৎ শিল্লগা এসোসিএসন অসিনা ফোঙদোরক্লি।

নেসনল য়ুথ প্রোজেক্টনা চেঙ-চাক পীখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ০১ (ঐচ এন এস): নেসনল য়ুথ প্রোজেক্ট (এন ৱাই পি) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা পুন্যা চিলদ্রেন হোম ফোর গর্লস অমসুং পুন্যা নৱা য়াইফকোলনা ওর্গনাইজ তৌবা ইন্টিগ্রেটেদ ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেন দিভেলপমেন্ট সেন্টর (আই দব্লিয়ু সী দি সী), থাংমৈবন্দগী সেক্রেটরি এন্নিদা চেঙ-চাকশিং খুদোল তমখ্রে।

পোৎলমশিং অসি সেন্টর অসিদা খুৎশিন্নবগী থৌরমদা এন ৱাই পি, মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট য়ূম্নাম খোগেন, সেক্রেটরি ঈ নন্দরানি অমসুং এগজিক্যুটিভ অমদি সিনিয়র মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি হায়রি।

অয়াবা লৌবীয়ু : নরানকোঞ্জিন কোওর্দিনেটিং ক্লব

ইম্ফাল, জুলাই ০১ (ঐচ এন এস): জুন ২৭, ২০২১দা পাউচে অসিগী হৈবোক চীং পুলিস আউট পোষ্টকী পুলিস পর্সনেলশিংনা সনা কোনুংদা য়াম্না কিরে হায়বদগী ঈৱাৎ ইশোন পাঙথোকখ্রে হায়দুনা ফোঙখিবা পাউ অদুগী মতাংদা অমসুং পাউচে অসিদা জুন ২৮, ২০২১দা লংথবাল হায়গদবনি হায়রিবা ষ্টেটমেন্ট অনীসিগী মতাংদা নরানকোঞ্জিন কোওর্দিনেটিং কম্মিটিনা মীয়ামদা ৱাফম খরা থল্লক্লি।

নরানকোঞ্জিনগী লোকল ক্লবশিংগী ওর্গনাইজেসন অমা ওইরিবা নরানকোঞ্জিন কোওর্দিনেটিং ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ দেবানন্দনা থোরকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমদি হৈবোক চীং অসি হিয়াংথাং অমদি লংথবাল খুল অনীগী মীং ওইনা শীজিন্নরকপা অসিগী মতাংদা হৈবোক চীংখোংদা তারিবা নরানকোঞ্জিন খুলনা হিয়াংথাং অমদি লংথবাল কুঞ্জ হায়না মমিং পনবীরকপা অসি য়াম্না লাইবক থীবনি। মখা তানা ৱাফম অসিদা শেংদোক শেংজিন তৌবীরক্কনু হায়রি।

ক্লব অসিগী চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা, হৌজিক হৈবোক চীং অসিদা এম এল এ করাম শ্যাম, লংথবাল এ সীনা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক অসিনা হৈবোক চীংগী শক্তম কায়হনবা লৈতে। মখা তানা অদুমক চাওখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎখিগনি। নরানকোঞ্জিন্না কোনবা হৈবোক চীংমাইদা লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা ঈৱাৎ থৌনি পাঙথোকনিংবা তারবসু খুল অসিগী অয়াবা লৌবীয়ু। লোয়ননা জুন ২৭ অমদি ২৮, ২০২১দা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংসু শেংদোকপীরকউ হায়দুনা মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লক্লি।

হান্নগী পোলিটিসিয়নশিংনা এদভাইজর ওইদুনা নহাশিংদা শিন্নরবদি ...

*লামায় ১গী মখা...*ঐখোয় পুন্নমক্লা খঙমিন্নবা য়াই। নহা ওইরিঙৈদনা হেন্না তৌনিংলিবা থবকশিং মীয়ামগীদমক মপুং ফানা তৌবা ঙমগনি। মদুগীদমক হৌজিক চপচাবা মতমনি হায়বগী ৱাখল্লোলদা পোলিটিক্স অসিদা চঙলকখিবনি।

ৱাহং : হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি অফবা লৈঙাক অমনি খনবিব্রা? মখোয়দা করি-করিদি তৌহন্নিংবা লৈবগে অমদি এ সী অসিগীদমক সোমনা তৌহন্নিংদবা, উবদা পেঞ্জদবা করি-করি শেমদোক্লিংবশিংদি লৈবগে?

পাউ : ঐ কনামতবু ক্রিটিসাইজ তৌজরোই। মানা-মানা তৌরিবা থবক খুদিংমক ফরে হায়না তৌনরিবা ঙাক্তনি। অদুবু এ সী অসিগী ওইনা য়েংলুরগদি মমাংদা লৈরম্বা লুচিংবশিংনা গ্রাস লেভেলদা কুমথরগা থবক তৌবদি খরা ৱাৎপরা হায়না খল্লি। রাজানিটি তৌবগী মহুৎতা রাজনিটি তৌবনা ফগনি। নিংথৌনি খনবগী মহুৎতা প্রজাগী পাউখোল্লোই অমা ওইনা থবক তৌহন্নিংই। সেন্টরদগী চ্লা মীয়ামগীদমক অদু পীবিরকউহায়না নিবগী মহুৎতা তঙাইফদবা মীয়ামগী কান্নগদবা পোৎশক অদুদি নমদুনা লৌবা ঙম্লবগী থৌনাসু লৈহন্নিংই।

ৱাহং : কুমজা ২০১৭গী ইলেক্সনদা ভোট কাখিবা এম এল এ খরা দিসক্কালিফিকেসন তৌখিবা অসিদা অদোম করি হায়বিনিংই।

পাউ : পার্টি অমদা য়াওবা হায়বসি পার্টি অদুগী তোঙানবা প্রিন্সিপল কয়া অমা লৈ। মদুবু ঙাক্লা চৎতবা হায়বসি অফবা অমদি নত্তে। লৈবাক্কী য়াম্না ৱারবা লায়না লাইচৎকী মতম অদুদা মীয়ামগী মতেং পাংবগী মহুৎতা পোলিটিক্স তৌনদুনা লৈখিবদু নহা অমা ওইনা য়াম্না নুংঙাইজখিদে। মখোয়গী তোঙানবা ৱাখল অমদি লৈজরম্বা য়াই তৌবতবু মতাং মতমদি য়াম্না চাখিদে হায়জনিংই।

ৱাহং : করম্বা পার্টিদা মীরেপ ওইগদৌরিবগে? লাক্কদৌরিবা ইলেক্সন অসিদা করি-করম্বা ইস্যুদা য়ুমফম ওইরগা মীয়াম মাংদা পুখৎতুনা লাম্হেংনগে খনবিরিবগে?

পাউ : রিপব্লিকন পার্টি ওফ ইন্দিয়া (অথৱালে) পার্টিগী মীরেপ অমা ওইগনি। এ সী অসিদা অৱাৎপগী অৱাৎপা ঙাক্তা ঙাইরে। অদুনা কৈশামথোং কেন্দ্রগী ওইনা মরুওইনা থবক অসি খক তৌগনি হায়বা ঙম্লরোই। মরম অদুনা শোৎথরিবা হীরম খুদিংমক্তা থবক তৌবা মথৌ তারি। ভোট কানবগীদমক লমদম অসিগী লুচিংবশিংনা অখঙ-অহৈ কয়াগা তান্নদুনা তৌনরিবা প্লানিং-পোলিসি অমদি রাজনিটি অদুগুম্না ভোট কারবা মতুংদসু তুমিন্না লৈশিনখিবগী মহুৎতা মীয়ামগী য়াইফনবা পোলিসি-প্লানিংশিং তৌদুনা থবক তৌহন্নিংই। লোয়ননা ভোট লেপ্পমদাইদা মীয়ামগা লৈনখিবা অফবা মরী অদু ভোট কাখ্রবা মতুংদসু লৈহন্নিংই।

ৱাহং : কুমজা ২০২২গী জেনরেল ইলেক্সনদা করিগুম্বা ভোট কারবদি ইহান-হান্না মীয়ামগীদমক করি-করম্বা থবক তৌগনি?

পাউ : ইম্ফাল ময়োলদা লৈবা কৈশামথোং এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুন্সি অসি লৈবাক মীয়াম্নদি মপান্দগী য়েংবদা য়াম্না চাওখৎপা অমদি শোয়দনা মাল্লমগনি। ফিজোলদি লোয়না ফজবা শেৎপা অদুবু মনুং হঞ্জিন্না য়েংলুবদদি অৱাৎপগী অৱাৎপা ঙাক্তনি, অদুক্কী মতিক শোৎথরি। করিগুম্বা ভোট কারবদি কৈশামথোং এ সী অসি হায় টেক কৈশামথোং কেন্দ্র অমগী মিংথোল পীজদুনা মদুগী মনুংচন্না এ সী অসিগী মীয়ামগী ৱাখল্লোলবু হায় টেক ওইহন্নবা হোৎনগনি। লৈকায়-লৈকায়গী প্রোব্লেম খুদিংমক মান্নদে। মরম অদুনা য়ূমথোং খুদিংদা চৎতুনা মখোয়না থেংনরিবা অৱাবশিং অদু পুন্না কোক্লনবা হোৎনগনি। ভোট তৌরমদাইদা থোক্লকপা, শেল থাদবা, ভোট কারবা মতুংদা তুমিন্না লৈশিনবগী ৱাখল্লোল হোংদোকপগী তঙাইফদবা লৈ।

ৱাহং : নিংতম্বা ফংলবা মতুং শাংলবা চহী ৭৪ শুরক্লবা ফাওবদা অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুবদা ঐখোয়গী ষ্টেট য়াম্না শোৎথনা লৈরিবগী মরম করি ওইরম্বা য়াই? করি করম্বা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎলবদি থুনা-য়াঙনা চাওখৎপা ঙমগনি?

পাউ : খুদম ওইনা মহারাষ্ট্রগা মণিপুরগা য়েংনরুবদা চাওখৎপগী চাং অসি চহী ৫০ রোম হেন্না খেন্নরে। নোর্থ ইষ্টকী অতৈ ষ্টেটশিংগা য়েংনরুরবদসু অদু মঙাই। য়াম্না ঙক্লিবদি লৈঙাক পায়রিবশিংনা ষ্টেটকী শেল অমদি গভর্ণমেন্টকী ফন্দ লৈতে-লৈতে তোয়না হায় অদুবু মশা-মশাদি শেল য়াম্না পায়নরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। লন্বী অমদা চৎপা য়াদ্রগদি অতোপ্পা লন্বী অমদা চৎপা তাই। হান্নগী লৈরম্লিবা অহল ওইরবা পোলিটিসিয়নশিংনা এদভাইজর ওইনা লৈদুনা লৈঙাক্কী থবক-থৌরমশিংবু নহাশিংদা খুৎশিন্নরবদি অচৌবা অহোংবা অমা শোয়দনা লাক্কনি খল্লি। নহাশিংবু থমাইবিগনু, অনৌবা নহাশিংবুসু লৈঙাক পায়বদা অচৌবা থৌদাং লৌবগী তাঞ্জা পীহন্নিংই।

ৱাহং : অদোমগী এদ্যুকেসনদি কদাই ফাওবা লোইশিনবিখ্রবগে? ইশাগী চহীনা কয়া শুরবগে অদুগা ইমা-পাবুংগী মীংনা করি কৌবগে?

পাউ: চেন্নাইগী দা. এম জি আর য়ুনিভর্সিটিদগী বি-টেক ই সী ই (ইলেক্ট্রোনিক কম্যুনিকেসন ইঞ্জিনিয়রিং) লোইশিনখ্রে। হৌজিক ইশাগী চহী ৩১ শুরে। পাবুংগী মীংনা দা. থৌনাওজম দরেন্দ্র অমদি ইমাগী মীংনা থৌনাওজম ওংবি প্রমোদিনি কৌই। ঐহাক মখোয় অনীগী অমত্তা পোকচবা মচানি। হান্নদি ইচিন-ইনাউ য়ামদে হায়না য়াম্না নুংঙাইতবা ফাওরম্মী অদুবু ঙসিদি মদু লৈত্রে।

ৱাহং : পোলিটিসিয়নশিংনা ভোট কারবা মতুংদা থবক কয়া তৌগনি হায়না পার্টিশিংগী মেনিফেষ্টোদা ইনৈ-ফোঙনৈ, অদুবু মপুং ফানা চাদা ৭০/৮০দি পাঙথোক্তে হায়নরি। সোমদি মীয়ামগী তৌগে খল্লিবা থবকশিং অদু মপুং ফানা তৌবা ঙমগনি খনবিব্রা?

পাউ : মীয়ামগী থবক তৌরক্লিবা অসি চহী মরি মখাইমুক্তি শুরক্লে। মসিদা এ সী অসিদা লৈরিবা মীওইশিংগী য়ুমথোং খুদিং চৎলুবা মতমদা লৈরম্লিবা অমদি ওইরম্লিবা অৱাবশিং অদু উবদা অদুক্কী মতিক নুংঙাইতবা ফাওই। ইনখৎলক্লিবা নহাশিংগী ফুটবোল গ্রাউন্দ অমত্তং শানিংই হায়রবসু এ সী অসিদা ফুটবোল গ্রাউন্দ শাফম মফম অমত্তা লৈতে। লন্বী ফজবা অচৌবা অমত্তা লৈতে, লন্বী মচা-মচা ঙাক্তনি। গাড়ি অনী থৈনবদা অৱাবা ওইরে। চেন্নাইদা লৈরিঙৈ মতমদা হোটেল অমদা চঙলুবদা ঈশিং তারমদবদগী করিগী ঈশিং তাদ্রিবনো হংলুবদা মফম অসি চেন্নাইগী খ্বাইদগী চাওখৎতবা মফম অমনি হায়না হোটেলশিংগী মীওইশিংনা হায়রকখি। ইম্ফাল ময়োলদা লৈরিবা কৈশামথোং এ সী অসিদদি ঙসিসু থক্লনবা ঈশিং য়ুমথোং খুদিংদা ফংদে। মসিমক তশেংনা অঙকপনি। এ সী অসিগীদমক্তা নহাশিংগী ওইবা থবক, মৌ নহা থবক শুফম-নোমফম খঙদনা লৈরিবশিং, ঈশিং, মৈ মরাং কায়না ফংহনবা অমদি লন্বী থোংগী ফীভম ফগৎহনদুনা হায়টেক কৈশমথোং কেন্দ্র অমা ওইহনবনা অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি। মীওই অমদা ঙা পীবগী মহুৎতা ঙা ফাবা তম্বিয়ু হায়বা ৱাফমদা য়ূমফম ওইরগা থবক তৌগনি অমদি শোয়দনসু পাঙথোক্কনি।

ৱাহং : অদোমগী এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুন্সি অসিগী টোটেল ভোটর মশিংনা কয়ানো? এ সী অসিদা মিক্স ভোটর কয়ামুক লৈবগে?

পাউ : এ সী অসিগী টোটেল ভোটর মশিং অসি চাওরাক্লা মীওই লিশিং ২৬ নি। মিক্স ভোটরদি লৈতে।

ৱাহং : করসপন চাওনা লৈরে পুন্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। অদুবু করপসনগী মায়োক্তা লেপ্পদি কনা অমত্তনা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। মসিগী মতাংদা করি হায়বিনিংই।

পাউ: করপসন মাঙহনসি হায়রবদি লুচিংবশিং পুকচেল শেংনা থবক তৌবা মথৌ তারি। করপসন পামদবদগী লমদম অসিগী নহাশিংনা পোলিটিক্সতা চঙনরক্তবনি। দর্টি পোলিটিক্স তৌদুনা মতিক চাদবা মীওইশিংবু থবক লৌশিনবনসু করসপসন হেনগৎলকপগী অচৌবা মরম অমনি। মরম অদুনা লমদম অসিগী নহাশিংনা পোলিটিক্সতা য়াওশিনদুনা চহী কয়াদগী অরানবা মওংদা চৎথরক্লিবা সিষ্টমশিং অসিগী মনুংদা চঙদুনা শেমদোকপা মথৌ তাই হায়জনিংই।

ৱাহং : থবক ফংদ্রিবা নহাশিংগীদমক করি-করম্বা থৌরাং-থৌশিল পায়খৎলবদি অনএমপ্লোইমেন্টগী প্রোব্লেম হন্থহনবা ঙমগনি হায়না খনবিবগে?

পাউ : লৈঙাক্লা মীপুম খুদিংমক থবক পীবদি ওইথোক্তে। মরম অদুনা মতম-মতমগী পাল্লিবা লৈঙাকশিংনা মপান লমগী মল্টি কম্পনি অচৌবা কয়া পুশিল্লকপা মথৌ তাই। কম্পনিশিং অদুবু তরাম্না ওকপা চঙলি। লোয়ননা লমদম অসিগী হৌরক্লিবা নহাশিংনা মশাদা লৈজরিবা স্কিলশিং অদুগী মতুংইন্না ওন্ট্রপ্রেনরশিপ অমমম ওইনা থবক তৌনিংলিবা নহাশিংবু পুক্লিং থৌগৎপীবা অমদি মতেং পাংবিবা য়াম্না মথৌ তারি। কোভিদ-১৯গী মতমনিনা লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্লা চেকশিন্না লৈবিয়ু। লৈঙাক্লা পীরিবা কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়রশিং ঙাক্লা চৎপীয়ু হায়বা পাউজেল লৈবাক মীয়ামদা থমজরি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরকখি।

পোজিটিভ কেস মশীংদগী ...

লামায় ১গী মখা... লৈখিদবনি হায়রি। ঙসি লৈখিদবা মীওই ১২ থারগা হৌজিক ফাওবদা লৈখিদবা অপূনবা মীশিং ১১৬২ শুরে হায়রি। অদুবু ঙসিগী ওইনা ফগৎলকখ্রবা মশীংনা ৫৭৮নি। মসিগী মনুংদা হোম আইসোলেসন্দগী ২৫১, রিমস ১৩, জেনিমস ৯, সী সী সীশিংদগী ১১৭ অমসুং সী ঐচ আই সীশিংদগী ১৮৮নি হায়রি। ঙসিসু পোজিটিভ কেস মশীং য়াম্না থেংনখিবদগী হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ৭০,২৯৮ শুরে। ফগৎলকখিবা মীওইশিংগী মশীংনা ৬৩,২০৬ শুরে। অদুগা এক্টিভ কেসকী মশীংনা ৫,৯৩০ লৈরি হায়রি।

ভিজিলেন্স পুলিস ষ্টেসননা সফিসিএন্ট মেটরিএল ...

*লামায় ১গী মখা...*এজেন্সী এল মনিগী সব কন্ট্রেক্টর ওইরিবা এল রোজর (৩৭) অপোকপা এল সমসন লুৱাংশঙবম অৱাং লৈকায়দা লৈবনা কুমজা ২০১৮গী ওক্টোবর থাদা ঈ ঈ অসিদা লুপা লাখ ১গী শেনফম পীখিবনি হায়রি। অদুবু বিল অসি থাদোক্লবগীদমক ঈ ঈ অসিনা সব কন্ট্রেক্টর অসিদা পীয়ু হায়খিবা লুপা লাখ ২গী শেনফম শুনা পীদে হায়দুনা বিল অসি রিলিজ তৌদনা লৈরকখিবনি হায়রি। মসিদগী সব কন্ট্রেক্টর অসিনা চীফ মিনিষ্টরগী সেক্রেটরিএটতা লৈরিবা এন্টি করপসন সেলগী ও এস দিদা ঈ ঈ অসিনা মঙোন্দগী বিল অসিগীদমক লুপা লাখ ১ লৌখিবগা মরী লৈনবা ভিদিও ক্লিপ অমা অমসুং ওদিও ক্লিপ অনী য়াওবা কমপ্লেন্ট অমা ফাইল তৌখিবনি।

কেস অসি ভি এন্দ এ সীগী ইন্সপেক্টর ঐচ সুরেস কুমারদা শিন্নদুনা ইনক্কারি তৌনবা খঙহনখিবনি। ইন্সপেক্টর অসিনা এপ্রিল ১৫, ২০১৯দা ইনক্কারি চৎখরবা মতুংদা তৌরকখিবা রিপোর্টকী মতুংইন্না থৌদোক অসিগী মতাংদা প্রিভেন্সন ওফ করপসন এক্ট, ১৯৮৮কী সেক্সন ৭, ৮ (১), ১৩ (১) (এ) অমসুং ১৩ (২) অমসুং ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী সেক্সন ২৪০, ১২০ বিগী মখাদা এফ আই আর কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা মীওই ৫গী মথক্তা লৌখৎলে। কেস অসিগী এক্যুইজ ৫গী মনুংদা থবক অসিগী এজেন্সী মপু ওইরিবা নাগামপাল কংজাবী লৈরক্তগী লাইশ্রম মনি (৫৩) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল ইবোহল অমসুং সব কন্ট্রেক্টর অসিসু এক্যুইজ নম্বর ৪ অমসুং ৫ ওইনা চার্জ তৌরে। অদুগা লেমহৌরিবা এক্যুইজ ৩ অসিনা হৌজিক্লা থবক্তগী পোথাখ্রবা ঈ ঈ অসি য়াওনা এ ঈ সী-২গী এসিষ্টেন্ট এঞ্জিনিয়র টি ঐচ ওকেন অমসুং কেসিয়র টি ঐচ সশিকুমারনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখি।

লোয়ননা ইন্সপেক্টর ঐচ সুরেস কুমারনা লৌখৎলিবা কেস অদুদা মহাকপু কেস অসিগী ইনফোর্মেন্ট অমা ওইনসু উৎলকখি। মসিদগী কেস অসি ভি এন্দ এ সী পুলিস ষ্টেসনগী দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস জি লোংমৈদা প্রোপর ইনভেষ্টিগেসন তৌনবগীদমক খুৎশিন্নখিবনি হায়রি।

কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চৎথরকপদা আই ওনা ইনফোর্মেন্ট অমসুং ওরিজিনেল কমপ্লেনেন্টসু ওইরিবা এক্যুইজ নম্বর ৫গী ষ্টেটমেন্ট লৌখি। লোয়ননা পুলিস ষ্টেসন অসিগী ইন্সপেক্টর ২গী ষ্টেটমেন্টসু সিজর ৱিটনেসশিং ওইনা লৌখি। অদুমকপু এক্যুইজ ৫ অসিগী মথক্তা তৌরক্লিবা এলিগেসনশিং অদুগী চপ চাবা খঙদোক্লবগীদমক দি ভি দি অদু ফোরেন্সিক এনালাইসিষ্টকীদমক থারম্বা থেংনদে। মসিগী মথক্তা সব কন্ট্রেক্টর অসিনা ওগষ্ট ১৭, ২০২০দা ভি এন্দ এ সী দিপার্টমেন্টতা মহাক্লা ঈ ঈ অসিগী মায়োক্তা তৌখিবা কমপ্লেন্ট অদু মখোয় অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্লবনা হন্দোকচরগে হায়দুনা এপ্লিকেসন অমসু ফাইল তৌরকখি হায়রি।

মরমশিং অসিনা কেস অসিগী রেকোর্দতা তৌরক্লিবা মসিগী চার্জগা মরী লৈনবা সফিসিএন্ট মেটরিএলশিং ফংদ্রে হায়দুনা আই ও ওইরিবা দেপ্যুটি এস পি জি লোংমৈনা জন্যুৱারী ৪, ২০২১দা কেস অসিগী ফাইনেল রিপোর্ট কোর্টতা থাগৎলক্তুনা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৭৩গী মখাদা কেস অসি ক্লোজ তৌবীনবা কোর্টতা হায়জরকখি। আই ওগী ৱাফম অসিদগী কোর্টনা জন্যুৱারী ৫, ২০২১দা পীখিবা নোটিশকী মতুংইন্না কেস অসিগী ইনফোর্মেন্ট ওইরিবা ইন্সপেক্টর ঐচ সুরেস কুমারগী ৱা ফাইনেল রিপোর্ট অসিগা মরী লৈননা তানবগীদমক খঙহনবদগী ইন্সপেক্টর অসি জন্যুৱারী ২৯, ২০২১দা কোর্টনা এগজামিন তৌখি। মদুদা খ্বাইদগী ঙক্লিবদি কেস অসিগী অহানবা ইনক্কারি তৌখিবা অমসুং ইনফোর্মেন্টসু ওইরিবা ইন্সপেক্টর ঐচ সুরেস কুমারনা কেস অসিগী এক্যুইজশিংগী মথক্তা চপ চাবা মেটরিএলশিং লৈ অমসুং কেস অসি ফজনা ইনভেষ্টিগেসন তৌদ্রে হায়না কোর্টতা ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক কোর্টনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী জজ অহুমগী বেঞ্চনা ভগৱান্ট সিংহ ভর্সেস কম্মিস্নর ওফ পুলিস (১৯৮৫) কী মতাংদা পীখিবা রুল্লিংশিং অদু পল্লদুনা ফাইনেল রিপোর্ট অসিবু অয়াবা পীগদ্রা, রিজেক্ট তৌরগা কোগনিজেন্স লৌগদ্রা নৎত্রগনা মখা তানা থিজিন্নবা দিরেক্সন পীগদ্রা হায়বগী মতাংদা হিয়ারিং চৎখি। মসিদা কোর্ট অসিগী স্পেসল পি পি, এ নিলচন্দ্র অমসুং এক্যুইজ নম্বর ১গী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল এম দেবানন্দগী সবমিসনশিংদসু এক্যুইজশিংগী মথক্তা সফিসিএন্ট মেটরিএলশিং ইষ্টাব্লিশ তৌবা ঙমদবগা লোয়ননা এক্যুইজ নম্বর ১ ওইরিবা ঈ ঈ অসিগী মথক্তা ওফেন্স কম্মিট তৌখি হায়বগী কন্সটিট্যুট তৌবা য়াবা মেটরিএল লৈতে হায়খি।

কোর্টনা নাকল পুন্নমক্কী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা ফাইনেল রিপোর্ট অদুবু অয়াবা পীখিবনি। অদুম ওইনমক করিগুম্বা মখা তানা কোগনিজেন্স লৌনবগী অনৌবা সফিসিএন্ট মেটরিএলশিং দিসক্লোজর তৌরক্লগদি কেস অসি রিভাইভ তৌগদবনি হায়বগী দিরেক্সন পীখি।

সভেন্থ পেগী ওর্দর থোক্ত্রগদি ওনলাইন ক্লাস লেপ্পগী ...

লামায় ১গী মখা... রেগ্যুলেসন্স, ২০১৮ অনীমক মণিপুরদা চৎনহনবীয়ু হায়জখ্রবনি। ফেগোক্টাগী খোঙজং মঙারক্কী মতুংদা কুমজা ২০১৯গী নবেম্বর ২৯দা অহানবা কেবিনেট এপ্রুভেল পীখি অদুগা চহীসিগী মার্চ ২৭তনা মরিরকশুবা ওইখি। চহীসিগী এপ্রিল থা অমা মে ২০২১ কোভিদ-১৯গী থিংজিন্দ্রিঙৈদা ওর্দর থোকপীদবগী মরম করিনো ? য়ু জি সী রেগ্যুলেসন্স মপূং ফানা খঙদবা অমদি চৎনদবনা মী খুদিংমক কোলেজগী ওজা ওইবা য়াবা অমদি য়াহনবগী কলচর অমা লাক্লিবসি কনানো হায়রি।

অতোপ্পা মণিপুর লৈঙাক্কী ইম্প্লোয়ীশিংদসু কুমজা ২০১৯গী জুলাইদা ওর্দর থোক্তুনা ৭শুবা পে পীখ্রবনি। গভর্ণমেন্ট স্কুলগী ওজাশিংদনা পে এনোমেলি লৈ হায়দুনা ৭শুবা পে ওর্দর থোক্তনা লৈরি। মসিগী দায়ত্ব কনানা লৌগনি। প্রাইভেট স্কুলগী ওজাশিংদা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী মতমদা পে পীবা য়ানি-য়ারোই হায়রিসিনা করিগীনো ? মণিপুরগী খুন্নাইনা গভর্ণমেন্ট, পোলিটিকেল পার্টিশিং, পোলিটিসিয়নশিংনা অমদি ষ্টেকহোল্ডরশিংনা এদ্যুকেসনদা প্রাইওরিটি থম্লি অমদি ওজাশিংবু ইকায় খুম্নে হায়বসিবু চুল্লিবরা ? কোলেজ ওজাশিং তলব য়াম্মী হায়রগা মচা মশুনা ওজা ওইহন্নিংদ্রিবা করিগীনো ?

অরোইবদা চেরোলসিনা- অচান-মীরান নাইবা অদুগা হঞ্জিন হঞ্জিন্না মীনম্বা অমসুং মরম চাদনা য়েথোকপা অসিনা কোলেজ ওজাশিংনা খঙবা ঙম্লক্তবনি। অশেংবা মরমদু খঙনবা অমদি নৈনবা পুন্নমক্লা মথৌ তাই। ওজাশিংদা হেক্তা তায়নরগা ক্বালিটি এদ্যুকেসন পুরকপা ঙম্লোই অমদি মণিপুরনা মাঙদা চঙশিনবা ঙম্লোই হায়রি।

অমরোমদা, ফেগোক্টানা লৌরক্লিবা ফিরেপ অসিগী মতাংদা ঙসি অয়ূক ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী কন্সটিট্যুএন্ট কোলেজশিংগী ফেকলটিশিংগী এদহোক কম্মিটিগী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্নখ্রে। কম্মিটি অসিগী কনভিনর ডা. এল রাজেননা চেয়র লৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুনসু তরেৎশুবা য়ু জি সী পে অমসুং রেগ্যুলেসন্স, ২০১৮ থোক্ত্রবদি ওনলাইন ক্লাস লেপকনি হায়বগী খোঙজং শৌগৎনবা ৱারেপ লৌখ্রে।

গভর্ণমেন্টকী অশোয়বা থৌশিলদগী...

লামায় ১গী মখা... হায়না লৌগনু। কোভিদকী ফর্ষ্ট ৱেভ লাক্পা মতমদা গভর্ণমেন্টসু মীচম মীয়ামসু ৱাখল তাদে অদুবু সেকেন্দ ৱেভ লাক্পা মতমদা গভর্ণমেন্টসিনা চেকশিনবা ৱাৎপদৌনা তৌই। লৈঙাক্তা চার্জ তৌবদি নত্তে হায়রদুনা এম এল এনা মখা তানা হায়, হন্দক মণিপুরদা কোভিদকী সেকেন্দ ৱেভনা মী য়াম্না নাবা অমদি শিরিবা অসি মহীক অসি য়াম্না থুনা শন্দোকহনবননি হায়বসি অখঙ অহৈ কয়ানা হায়রবনি। অদুনা সেকেন্দ ৱেভ লাক্পা মতমদা গভর্ণমেন্টনা কোভিদ পেসেন্টশিং হোম আইসোলেসন তৌহনবা অসিনা নাবগী মশীং ৱাংখৎলক্লিবনি হায়খি।

ষ্টেট অসিদা নোংমদা মীওই লিশীং ১গী মথক্তা পোজিটিভ ওইবা য়াওখ্রবনি। মণিপুরগী পোপ্যুলেসন অসিদা পোজিটিভ ওইবগী মশীং কা হেন্না ৱাংখৎলক্লিবা অসি হোম আইসোলেসন তৌবদগীনি। শুগুনু এ সীগী ওইনা কম্যুনিটি হোম আইসোলেসন সেন্টর, জে এন ভি শন্দুম্বা উমাথেলদা লৈরবসু পোজিটিভ ওইরবশিং য়ূম-য়ূমদা লৈশিনবদগী পাক শন্না শন্দোরক্তুনা মীওই ১০০গী মথক্তা পোজিটিভ ওইখ্রে অমদি মীওই ৪ লৈখিদ্রে হায়খি। থর্দ ৱেভ লাক্কনি হায়বসি অখঙ অহৈশিংনা প্রিদিক্ট তৌদুনা হায়রবনি। মরম অসিনা ইন্দিয়াগী ষ্টেট ৯/১০দা থর্দ ৱেভকী সিম্পটোম ফংবা য়াওরে হায়বসি মীদিয়াদা রিপোর্ট তৌখ্রবনি। মণিপুরদসু য়ৌরক্লগনি হায়বসি ডাক্টর কয়ানা হায়খ্রবনি। লৈঙাক্ল হেল্থকী চার্জসু পুরিবা চীফ মিনিষ্টরনা কোভিদ থর্দ ৱেভ অসি য়াম্না লায়না লৌবীগনু। হোম আইসোলেসন হায়বা ৱাহৈ অসি ঙসি হায়বা নুমিৎসিদগী পনবীরগনু। খরা নুংঙাই য়াইফবা বেদ রুম, বর্থ রুম, টৈটলেট তোঙান্না লৈবা য়ূমশিংদদি করিসু কায়দে। খুঙ্গংদা লৈবা, লৈত-লায়রবগী য়ূমলৈ-কৈরৈ অসিদদি তোঙানবা টৈটলেট, বর্থরুম লৈবা নত্তে। লায়না অসি টৈটলেটতগীসু লৌনরবিনি। হৌজিক্তি দিভেলপমেন্ট তৌবা লেপখিসি। মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা হায়বসিনা খ্বাইদগী মরু ওইবা থবকনি হায়খি।


HIV IS TRANSMITTED THROUGH
Unprotected sex with an HIV infected person.
Sharing of HIV infected needles & syringes.
From HIV infected mother to her baby.
Transfusion of HIV infected blood or blood products.
Issued in public interest by
Manipur State AIDS Control Society
NACO

HL-B/7016/2-31july

প্রচারিত

KINGDOM
EDUCATIONAL INSTITUTE
Regd. No. 422 of 2020 (Govt. of Manipur)
CIN Regd. No. U80903MN2021PTC014275 (MINISTRY OF CORPORATE AFFAIRS, GOVT OF INDIA)
AVIATION COURSE, SPOKEN HINDI, SPOKEN ENGLISH, COMPUTER (NIELIT) & STOCK MARKET
Dedicated Service since 2001 till date.
ADMISSION OPEN FOR ONLINE COURSE

Sl.No.	COURSE NAME	DURATION	COURSE FEE
1	DCA	6 Months	Rs. 2000/-
2	CCC	2 Months	Rs. 1500/-
3	OFFICE AUTOMATION	2 Months	Rs. 1500/-
4	TALLY with GST	2 Months	Rs. 1500/-
5	PROGRAMMING C	1 Months	Rs. 1500/-
6	PROGRAMMING C⁺⁺	2 Months	Rs. 2000/-
7	SPOKEN ENGLISH	2 Months	Rs. 1500/-
8	SPOKEN HINDI	2 Months	Rs. 1500/-
9	STOCK MARKET & TRADING	2 Months	Rs. 15000/-

For More Details Please Contact :- ✆ +91 70056 22203 / ✆+91 88374 07726
# 1/2 persons online Spoken English class AVAILABLE.
Kingdom Educational Institute,
Old Lambulane, Jail Road Opp. GP Women's College
Imphal - 795001
HL-B/6865/30